## এডিটোরিয়েল

# চিঙ্গাক্তা মীপান তাংদবা

লৈহাও লৈবা অমসুং লৌ–শিংঙদা হেন্না মীৎয়েং থল্লবা মতমদা লমদম অমগী লৌ–শিংউবগী পোত্থোক অসি হেনগৎহনবা ঙম্ফ ম থোকই। লৌ উগদবা লৌফমশিং কন্দুনা থম্বা অমদি কেমিকেলগী হারশিং শীজিন্নবা তোক্তুনা বাইও ফর্টিলাইজরশিং শীজিন্নরবা মতমদা পাক শন্না মণিপুরগী লৈবাক লৈহাও অসি কন্দুনা থম্বা ঙমগনি। অদুবু শেমগৎ শাগৎপা অমদি চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা থবক কয়াগীদমক লম লৌশিনবা মতমদা চাথোক লৈবা লৌফম কয়াদগী হেক হেক লৌথোকখিবনা মরম ওইরগা এগ্রিকলচর লেন্দগী শরুক অসি নোংমা নোংমগী পিকশিল্লক্লি। অতোপ্পা মওং কয়া অমদসু ষ্টেট অসিগী চীংগী লমদমদা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং তম্পাক্কী লৌফমশিংদা পায়খৎকনি হায়রি। মীৎয়েং অদোমদা অদুমক থবক তৌবা তারগদি লৌউ শিংঙ্গী লমশিং অসি লৈরক্তবা তাবনি। সরকারগী ওইবা ওফিস অমসুং অতৈ হোস্পিটালনচিংবা শাবা মতমদসু লৈতেম মান্নবা তম্পাক্কী শরুক্তা লৈবা লমশিং খক্তদা পায়খৎপা তারগদি মদুগী অকোইবদা লৌউ শিংউবা হায়বসি ওইথোক্তবা অমা ওইনা থোক্কনি। ওফিস অমা নৎত্রগা হোস্পিটালনচিংবা অমা লৈরগদি মফম অদুগী অকোইবদা লল্লোন ইতিক্কী মরী লৈনবা দুকান্নচিংবা কয়া অমা শোয়দনা থোক্লক্কনি। মদুনা হেন্না ফবা শেন্দান লম্বী অমা ওইনা উরকপদগী লৌউ শিংউগী থবক্তা মায় ওনশিল্লক্তবা হায়বসি মশানা তাবা ৱাফমনি। লৌ উবা হায়বসি ফিজিকেল এক্সর্সাইজনা হেনবা য়াম্না অৱাবা থবক্লি। অদুগুম্বা অৱাবা থবক হায়বসি হৌজিক্কি মতমগী মীরোলনা কয়া পাম্নদবগুম উই। মসিনা মরম ওইরগা লৌউ শিংউদা মীৎয়েং চংবা ৱাৎলকপদগী লমদমসিদগী চাথোক হন্থরক্কনি হায়না নাকল অমরোমদা লৌবা য়াই। মসিগীসু মথক্তা মণিপুরগী মীশিং অসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা থোক্লিবা চাথোক্কা চাগদৌরিবা মীগী মশিংগা য়েংনবদা অদুমক খেন্নবা অমা লাকফম থোকই অমসুং চাথোক ৱাৎপগী মওংদা অদুমক লৈগনি। হৌজিক্কী লৌউ পাথাপশিংদা মনা মশিং অমদি ফৌনচিংবা অসি লৌফম অমদা য়াম্না হেনবা চাংদা পুথোকপা ঙল্লবনি। মদুমক্তদা চিঙ্গাক ৱাৎপগী পোব্লেমদি অদুমক লৈরি। অনৌবা লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওই কয়ানা লৌউ শিংউগী লমদা হৌজিক অকনবা মীৎয়েং থমদুনা থবক হৌনবা কয়া য়াওরে। এগ্রিকলচরেল ইন্দষ্ট্রি অসিদগী শেনথোক য়াম্না তান্দুনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্লে হায়বগী পাউ কয়াসু মীয়াম্না তান্নরবনি। অদুবু লৌ উবা হায়বসিদা চংলিবসি মখল মখা কয়াগী ফেক্টরশিং য়াওবনা ঈথৈ লৌখোঙনচিংবগী খুদোংচাবা সরকারগী মায়কৈদগী ফংহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা হিরম অসিদা খোঙদারক্লিবা অনৌবা মীরোলগী লৌমীশিংদা হেন্না পুক্লিং থৌগৎপিবগা লোয়ননা মখোয়গী পামজরিবা শীনফম অদুদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পীবগী মথৌসু তাই। লৌউ শিংউ হায়বসিদা ফৌ অমদি ইঙ্গাং নাপী থাবা অসিখক্তা নক্তনা অতৈ তোঙান তোঙানবা ফার্মিংগী এক্টিবিটিশিংসু য়াওবা তাবনি হায়বদি শা ষন লোয়বা, ওক, য়েন, ঙানুনচিংবা লোয়বনচিংবগী থবক অসিসু লৌউ শিংউগা য়াম্না নকুবা মরী লৈনবা অমনি হায়না লৌবা তাবনি। মসিদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট খক্তা নক্তনা ভেটেরিনরি দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নন চৎমিন্নবগী মথৌ তাই।

মতমদুদা বাইও ফর্টিলাইজরশিং মরাং কাইনা পুথোকপগা লোয়ননা লৈবাক লৈহাউ ঙাক্তুনা থম্বা ঙম্বগী ফিভম অদু লাক্কদবনি হায়বসি মণিপুরগী সরকারগী লৈরিবা দিপার্টমেন্ট অনিমক্কা হান্না খঙলবা ঙাক্তনি। মণিপুরদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মতম মতমগী ওইনা ফার্মরশিংগী চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা থবকশিং পায়খৎপদা মঙম শান্দবগী অমসুং থেংথবদগী হায়রিবা হীরম অসিদা অতৈ ষ্টেটগী য়াম্না শোখনা লৈহৌবনি হায়না লৌবা তাবনি। চাথোক নিংথিনা লৈত্রবা মতমদা চানবগীদমক নৎত্রগা চিঙ্গাক্কীদমক মখল মখা কয়াগী অচৌবা অমসুং মচা ওইবা ক্রাইম কয়া থোক্লক্লবগী মরম ওইহল্লি। মসিনা অমুক করিগুম্বা মতমদা ইমুং মনুংগী প্রোব্লেম কয়ামসু থোকহল্লকপা য়াই হায়বদি চাবা ফংদবগী চানবগী চিঙ্গাক্কীদমক তোঙান তোঙানবা মখলগী আইন্না য়াবা নৎত্রগা য়াদবা মওংগী লল্লোন ইতিক্কী থবকশিংদা মীৎয়েং চঙলকপা হায়বসি মশানা তাবনি। অদুনা মতিং লৈবা অমসুং নহা ওইরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা দিপার্টমেন্টশিংগী থবক থৌরমশিং পুরিঙৈদা পূন্না লৌউ শিংউ অমসুং ভেটেরিনরি দিপার্টমেন্টশিংদা সেন্তর গভর্নমেন্টনা থাদরকপা স্কিম কয়া অমা মতম মতমগী ওইনা পায়খত্তুনা মদুগী কান্নবশিং অদু ফংহন্নবা হোৎনরক্কনি হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি। থাজবা অসি মাঙহন্দনবা হেন্না অকনবা মীৎয়েং চংবা করিগুম্বা অৱাৎপা লৈরগা মদু ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিশিংদগী নমদুনা লৌনবা হোৎনবা তাবনি। মীপান তাংদনা চাথোক মরাং কাইরবা মতমদা ক্রাইম থোকপগী চাং হন্থরক্কনি অমসুং খুন্নাই অসি মরা তপ্পা হায়বদু ওইরক্কনি হায়বা অসি য়াম্না চুমখ্রবা ককপা য়াররোইদবা ৱাফমনি। মসিবু থবক্তা ওন্থোকপা হায়বসিদি অকনবা ৱিল অমা চংই অমসুং মরী লৈনবা ওফিসারশিংনা মতেং নিংথিনা পীবগী মথৌ তাগনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# হেন্না চাওখৎপা মওংদা অনৌবা চহিবু ওকপিয়ু

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরদা হৌজিক তোঙান–তোঙানবা মওংদা শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিকশিংনা থোকহল্লিবা প্রোব্লেমশিং অসি কন্ট্রোল তৌনবা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা করি থবক পায়খৎনবা খন্নরিবগে হায়বসি ময়েক শেংনা খঙজনিংই।

হৌবতা ঙাইরিবা চহি ২০১৪ গী জনুৱারি তাং ৭ ঙসি ফাওবদি ষ্টেটসিদা লৈবা য়ুমথোং খুদিংমক্তা অমদি পাব্লিক প্লেস কয়াদা প্লাষ্টিক্কা ওইহল্লিবা প্রোব্লেমশিং মায়োক্লনবা মশক থোকপা থবক অমত্তা গভর্নমেন্টনা পায়খৎপা থেংনদ্রি। মসি তশেংনা য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না লৌবা য়াই। গভর্নমেন্টকি ওইবা কন্ট্রোল তৌনবা অকক্লবা পোলিসি প্রোগ্রাম অমত্তা লৈতবনা শীজিন্নরবা মতুংদা লংথোরকপা প্লাষ্টিকশিংনা মতম কুইনা মফম অমদা পৈশিনবা অমসুং মৈ থাবগী থবক মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা তৌনরি। তশেংনা ষ্টেট অসিদা প্লাষ্টিক্কা থোকহল্লিবা প্রোব্লেম অসি থৌওইনা য়েংলুরগদি য়াম্না কিনিঙাই ওইরবনি, মীয়াম্না খঞ্জিল্লুদবগী ৱানি। গভর্নমেন্টনা পোলিসি অমগী মখাদা প্লাষ্টিক্কী প্রোব্লেম থিংনবা মশক থোকপা থবক অমা পায়খৎলবদি ফগনি মসিদা মীয়াগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ হায়জনিংই।

*অদোমগী,*

**কে ঐচ . চাওবা সিংহ**

লমশাং।

# লুহোংলোন অমসুং হিংনলোন (২)

**– মমি লুৱাং –**

লুহোংবগী থৌরমদা মচা নিঙোলগীদমক্তা অউনপোৎকি লখপতিনা লাখ–লাখনা খুজিং ওইদুনা উল্লি। ক্রোর পতিনাসু মচা–নিঙোলগীদমক লুহোংবগী মীয়াম তিনবা মতমদুদা উৎচনিংবা তৌজনিংবসু ওইরম্বা য়াই। অদুগা অমরোমদসু মচাগীদমক্তা ৱাক্তা পাদনা হিংনবসু ওইরম্বা য়াই। মপা ওইরিবদুনা ক্রোরপতি ওইরবনিনা ক্রোরনা খুজিং ওইদুনা ক্রোর ক্রোর উল্লি। ঐগী মরুপ গোপালনা ৱারি অমা লিবীরকই। ইনাকখুনখ্রবা ক্রোরপতি ব্রীক ফার্মগী মপুদুনা মচানুপীগীদমক লুহোংবদা লুপা ক্রোর ৭.৫ রোম উন্দুনা ফজনা চাউনা নিংথিনা লুহোংবদু পাংথোক্লবা মতুং থা ৩ লোমগী মতুংদা মপানা য়াম্না নুংশি চান্না তৌজবা মচানুপীদু খঙহৌদনা লৈখিদ্রবাজাৎনি। ক্রোরপতি ওইরিবা মপাদু য়াম্না থম্মোয় শোক্না নিংবা কায়খিবনি। ৱারি তারিবা ঐখোয় ফাওবদা কাহেন্না থম্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওদবা ঙমদে। মীওইবগী পুন্সি হায়বসি তম্বা ঙম্বা নত্তে। মীয়াম্না চীংনথাংৈনা ঙাংনরকপা মীনা নিংবা অমা লাইনা তম্বা অমা হায়বদুনি। থোক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে কনাদসু। অসিমসু হায়নবা লৈ “য়ুম্বান লোনদি তুরেলগী লৈঙোইদগী হেন্না কুপ্পি” লৈঙোই মকুপ অমা ফাওবা মীৎমাংদগী ইঞ্চি খরদং লাপথোকখিবদা উবা ফংদ্রিবনি। মরম অসিনা তাকপদি লৈঙোইদগী হেন্না কুপ্পা উব–ফংদবা উবা ঙমদবা মহৈ মহৈ কয়া থেংনগনি হায়বনি হায়জনিংই।

থেংনগদৌরিবা মপৈ মপৈ হায়রিবসি করিগুম্বা নুংঙাইবা পুংজাখক্তা ওইরবদি নত্তদুনা অৱাবা মিকুপ ওইরবদি করি ওইবা তায় হায়বা ঙমব্রা? ঐগী ইমৌসে নৎত্রগা ঐগী নুংশিজরবা নুপীসে মমাই মমিৎ পাংদুনা ইচা নুপা নৎত্রগা নুপীবু ওইরবসু হায়বদি শোয়দা ঙামদনা অঙাং উন্নদুনা ইমিত্তা ইচা অমত্তং উজরবদি হায়দুনা মপুক্লিংদা লাই নিংদুনা লাইখুরম্নরিবনি। অসিগীসু মথক্তা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী থৌরমগী মনুংদা মরুওইনা “সঙ্গিতা ইমৌসে মীরোল্লে চাবোকপসিবু–চাবোকপগী ওইরবদি চাবোক্কদৌরিবা কা অদু তরু–তনানবা, চাবোক্কদৌরিবা নুপী অদু খুজি–খুদোপ লৌথোকপীগদবনি। খুজিল খুয়া তেন্না কককথৎপিগদবনি য়ুমদা তৌবা ওইরগনা কমদৌবা লম অসিদা হেন্না খঙ হৈরবা ওইগদবনি। হোস্পিটালদদি খুৎজু–খুৎলাই মতিক চানা লৈবা খঙ হৈরবা লৈবা। অদু ওইবা তারবদি অঙাং উনবা তারবদি হোস্পিটালদা উন্নবনা হেন্না ফবা ওইগনি। ৱাহৈশিংসি চপ মান্নরমদবা য়াই রেদিওদা লাউরিবদুগা। খবরগী নোক্লিং কাখলদা “মোই তামো ঐ মতম খরদংদি হিংজখিগে। মাগী নুপানা অদু ওইরবদি ঐ মায়োক্লবী কৌরুখিগে।” হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক অঙাং উন্নবগী লপরেসন তৌবদা এপেনদিক্স য়াওনা ফোংচিনবদগী মমাদু লৈখিদ্রে। রেদিওদা লাউরিবসিগা চানরিবরা? ঐনা লুনা নিংজবা ইচে অমা মায়থোং লুকথনা লাকপা উবদা। ঐনা তহা তহানা মহৌশাগুম ইচে নঙবু কনানা লাকচবা য়াওবগে? ইবুংঙো অতৈ করিসু নত্তে। ইচে চনম্বম ওংবীগী মচা নিঙোল মাইবম ওংবীদো ঙরাং হোস্পিটালদগী শিনা পুথরক্লবনিনে। ইচে কমদৌনা? অঙাংদু অশোই অঙাম য়াওদনা উন্নরবা মতুংদা ঈ হাথৈ অদুদগী অদুম শিরবা জাৎনি। অদুনা রেদিওদনা ফজ–ফজরবা ৱাহে কয়া লাউনি অদুগা তৌথোরকপনা অমা চেকশিন্দবা থৌওইদবদগী মমা ওইবী কয়া মপুন্সি পিখম্নখ্রবনি। মখোয়গী ৱাহৈদনা সোরি ঐখোয়সু চেকশিন্না হোৎনজবনি। অসিনিনে ৱাহৈগী অৱাই–অখুম। কদাই ফাও য়ৌনা চেকশিনবনো? চেকশিন্দবনো? হায়বা ঙম্বরা। মতাংসিদা হায়জনিংবা অমনা লুহোং–খোংদোংবা মিকুপতুদা লাখ কয়াগী খুজিং ওইখ্রবা চীংমুক ৱাংখ্রবা অউনপোৎকী ৱাখনলোন। অউনপোৎসু উনবিয়ু। য়ুম্বানলোনসু কায়নবিগনু অসিনি হায়জনিংলিবা। তুরেলগী লৈঙোইদগী হেন্না কুপ্পি হায়বদু নীংশিংনা মশা শাজেন তৌনা শামু চাবোক, শামু চাজেন হায়বসু থাদোকফদবনি হায়জনিংই। ইচা অমা ইশু অমা চেল্লে চোংঙে। পাউ হন্দোক্লরে নুমিৎ থাবান অফবা য়েংলগা লুহোংবা তারে। মসিদা অদুম চৎখরে। ইচানুপী অসিনা ওংগদৌরিবা নুপা অদু করি শীনফম পায়রগা মাগী হিংনবগী লম্বী ওইগনি। কনানসু নীংশিংবগে? অদুক ৱারি শানবদা ৱাঙাংনবদা সরকারগী থবক তৌরবরা ইকায়–ইকায় হংনবা নক্তনা ঐগী ভাবতদি চনু নিঙোল অমা হৌজিক্কী মতমদা লুহোংবগী অউনপোৎ পিবগী চাংশিং লুপা লাখ ৪–৫ দি তঙাই ফদবদৌনা ইরায়–লায়না ইকোম কোম্না উন্নবদৌনা তৌনরে। লুহোংবদা অউনপোৎ ইয়াওমক য়াওদ্রবদি লুহোংবা চিংদে হায়না ইয়াম্বা জয়কুমারনা হায়খিবা লৈ। অদুওইবা তারবদি ফিরোল খর কোল–লিক খরা উপু মচা অমা, কাংথোন মচা অমা চাওরাক্লা লুপা লিশিং য়াঙ্খেমুক্লা শীনবিরগা। লেমহৌবনি হায়না খনবা লুপা লাখ মরি মখাইরোমদুনা মখোয় অনি হিংজনবগীদমক্তা ইচানুপীগী মপুরোইবা ওইগদৌরিবদু করি শীনফম পায়দুনা শুদুনা নোমদুনা হিংগদৌরি মদুগীদমক্তা মাগী শিনফম–কার ৱাক্সশোপ তৌবরা, স্কুটর শেম্বরা, উ শুবরা, চেক শুবরা, শুবা নোম্বা তন্দবরা ঙম্নমক নুপী ময়ুম নুপা ময়ুম অনিনা লুহোংদ্রিঙৈদা তান্নরগা ইচা অনি অসিনা লুহোংলবা মতুংদা হিংগদৌরিবা অদুগী মখোয় অনিগী হিংনবগী লম্বী ওইনা শিনফম শীনবিরবদি ইংনা চীক্লা য়ুম পান্দুনা হিংবা ঙমগদ্রা খল্লি। ঐনা ৱাফম অসিনা তুংগী মীরোন তংদু লৈতাবা খুন্নাই অমা ওইগদরা খঞ্জদুনা খবরগী অপিকপা কাখলদা ইজবনি। অসিদগীসু হেন্না ফজবা ফিলোজোফিসু অখঙ–অহৈশিংনা ফোংদোকপিরকপসু তরাম্না ওকচরি। তুংগী শাংলবা মীৎয়েং অমগীদমক মায়পাক্কদবা মীৎয়েং উহনগদবনি হায়জনিংই।

শুবা–নোম্বা তনবা ইমৌ ওইগদৌরিবা অমসুং ইচা পিবগীদমক্তদদি লুপা লাখ মঙাগী কৈথেলদা থোকপা বেকেলাইটনা শাবা অউনপোৎকী শরুক খরা হন্থরগা মীৎয়েংফম নুংঙাইতবা পোক্তনবা লুপালিশিং ৪০–৫০ দংনা শিনবিরগা লেমহৌরিবা লুপা লাখ মরি খরা হেনবদুনা যনবী মখোম য়াম্না থোকপী ৪–৫ অদুগা ষনশিংদুগী শঙ্গোম শানবরোমদা শেনফমদু থাদবিরবদি। হৌজিক্কী মতমদা মচি মচিদা লোন্ন–লোন্না চিবোন–চিবোন নুপা ময়ুমদগী মচাগা মৱা–মপুরোইবা হন্দোক্লম্লগা অতোপ্পা নুপা অমদা চেনখ্রে হায়বা পাউসি খর খর হন্থরকপা য়াই।

শুমিন্নরবদি, নোম্মিন্নরবদি, ৱামিন্নরবদি হিংমিন্নবগী অচেৎপা মরী লৈফম থোকই হায়জনিংই। ঙসিগী খাঙতপকী রেষ্টোরেন্টকী সেলফষ্টাইল রোমান্সকী নুংশি পন্থুং অসিনদি অউনপোৎ অমত্তা মোৎত্রিঙৈদা অমুক মপাম পাংলকপা মরাইবক থিরবা অউনপোৎ কাসু উবা ফংই। প্লান মেরিয়েজ ওইবা পামই।

# ‘ময়ি চৎলিবা মীওইবগী শক্তম’

**সলাম ইন্দুভুসন**
(সোসিয়েল সাইন্টিষ্ট)

কংলৈপাক লাইরিক ফোংবা লুপনা শীন্দুনা হৌখিবা তাং ৩১-১২-২০১০ ইংগী ইরাই নুমিত্তা অইবী নোংথোম্বম ওংবী শুনিতাগী শঙ্গায়দা হায়রিবা কোংখাম রাথোনা ইবা ‘মীওইবা’ হায়বা লাইরিক অসি সোসিয়েল সাইন্টিকি য়ুম্ফমদা নৈনবগী থৌরম অমা পাংথোকখি। থৌরমদুদা কুঞ্জো নিংঙোম্বনা থৌরম মপু ওইখি অমদি অথোইবা মীথুংলেনগী ফম্ফল্লাংদা ঙাঙোম নবা, নেম্লেল এৱার্ডি না লেঙশিনবিখি। মীওইবা হায়রিবা লাইরিক অসিগী মরমদা ঐনা নৈনরোই অমা ওইনা ঙাংখিবা ৱাফমশিংদু খরা লৌখৎচরি।

ওজা রাথোনা মীওইবা হায়বা হিরম অসিদা খুৎ থাবা অসিমক্তি ঐঙোন্দা অকিবা ফাওই। সোসিয়েল সাইন্টিকি মহৈরোই অমা ওইনা, মীওইবা হায়বা হিরম অসিদি ওন্থোক্লপাক চাউনা লৌই। ওজা রাথোগী লাইরিক অসিদসু হিরম কয়ামরুম য়াওরি। ঐহাক্না খনগৎচবা খরদি অসিনি ওজা রাথো, সাহিত্যগী মীশক অমা ওইবনা, মহাক্কি খুৎই অসি পাবা য়াম্না নুঙাই। খুৎই অসিদা আর্টিষ্টিক মেরিট য়াম্না য়াওরি। লাইরিক অসি মপুম ওইনা য়েংবদদি ঐঙোন্দা কৈনো অমা ওইনা উরে। মরমদি তোঙান-তোঙানবা হিরমশিংবু নৈনবদা, পন্দুপ খাইদোক্তুনা নৈনবদি থেংনদে। অসুম্না প্রমান ওইনা হায়নিংই মদুদি, মখল মথেল কয়াগী পোৎলমশিং কা অমদা পংথম-থম্বগী মওং ওইনা উরে। নৎত্রগা থৌদোক কয়া ইশিল্লবা অচৌবা ডাইরি অমগুম উরে। মরমদি ডাইরি ইবদা পন্দুপ খাইদে। মণিপুরদা ইন-ফোংনরিবা লাইরিক্কা মচৎ তোঙাল্লি। ইং শোক ২০০৭ তা ফোঙখিবা অইবগী ‘পুম লিন্বীসিদা’ হায়বা নিংশিং ৱারীগী লাইরিক অদুসু অসুম্না পন্দুপ খাইখিদে। লাইরিক অদুগী অনিশুবা শরুক ওইনা পুথোরকপা মাল্লি। মরমদি অনিমক নিংশিং ৱারীগী লাইরিক্লি।

সোসিয়েল সাইন্টিকি মহৈরোই অমা ওইনা ঐঙোন্দদি ৱাহং অসি ফাওরকই মদুদি ওজা রাথোনা থেংন- উনরুরিবা মীওইশিংসি করম্বা মখলগী মীওইশিংনো -savage না কয়াম য়াওবা Barbarians না কয়াম য়াওবা, civilised man না কয়াম য়াওবা? মদুগীসু মগ্নক্তা করম্বা সমাজগী মীসকশিংনো হায়বা ৱাহংশিং অসিনি। ঐখোয়না হিরম অসিদা অচেৎপা থাজবা থমলি মদুদি মীওইবা হায়বা জীবসি হিংবু হিংলবদি মঙোন্দা ৱাখল (মাইন্দ) হায়বা অসি অদুম্মক য়াওরে। অদুগা অত্তো অমনা মঙোন্দা feelings হায়বা অসিসু য়াওরে। অদুবু abnormal ওইবা মাইন্দ শিংদি অতৈদগী তোপ তোপনা লৈ।

মীওইবা অমদা য়াওরিবা ৱাখল অমসুং ফিলিংস শিং (মসিবু থম্মোয়গী ইহুল হায়নবরা ঐদি তশেংনা খঙজদে, অখঙবনা তাকপীয়ু) অসিসু মহাক্না লৈরুরিবা সমাজ অদুগী মখা পোল্লি। সোসিয়েল সাইন্টিষ্টি শিংনা ঙসি ফাওবদা লৈরক্লিবা মীওইবগী সমাজশিং অসি মখল মরি - মঙা থোক্লা খায়দোক্লি। অহানবগী সমাজ অসিবু মখোয়না মৈহৌরোলগী সমাজ হায়না কৌরে। মথং অদুবুনা মীনাই লোইবগী সমাজ কৌরে। মতুং লাকপা অদুবুনা লৌচা চৎনরোল সমাজ কৌরে। মসিগী মতুং লাকপা অদুবুনা শেঞ্জাও পাইবগী সমাজ কৌরে। মসিগী মতুং লাকপা অদুবুনা হক ম্নানা ফংম্নিবা সমাজ কৌরে। সোসিয়েল সাইন্টিষ্টি শিংনা অসুম্না হায়রি মদুদি হায়রিবা সমাজশিংসিদি লৈরকখিবা মীওইশিং অসি অমত্তা ম্নদে। অহানবগী প্রিমিটিভ কম্যুনেল সোসাইটি অসিদা লৈরকখিবা মীওইশিং অসিদি সেভেজশিং ঙাক্তনি। অনিশুবা সমাজ, মীনাই লোইবগী সমাজ অসিদা লৈরমখিবা মীওই শিংসিদি সেভেজ শিংগা বারবেরিয়ন শিংগনি। অদুগা অহুমশুবা সমাজ ফ্যুদেল সোসাইটি অসিদা লৈরকখিবা মীওইশিংদি সেভেজ শিং, বারবেরিয়ন্ন শিং অমসু সিভিলাইজ পিপল শিংনি অদুগা মরিশুবা সমাজ কেপিটেলিষ্ট সমাজ অসিদদি সেভেজ শিং, বারবেরিয়ন্ন শিং অমসুং থাক খরা হাইগৎলবা সিভিলাইজ পিপল শিংনি। অদুগা খ্বাইদগী নৌরিবা মঙাশুবা সোসিয়েলিষ্ট সমাজ অসিদদি সেভেজ শিং মশিং হন্থনা য়াওগনি। অদুগা সিভিলাইজ পিপল শিংগীসু অনেম্বা থাক্তগী অৱাংবা থাক ফাওবা য়াওগদবনি হায়বা সোসিয়েল সাইন্টিষ্ট শিংনা হায়রিবনি। অসিমসু হায়রি মদুদি হায়রিবা সমাজসিং সিদা লৈরমখিবা মীওইশিংগী ফিলিংসসু অমত্তা ম্নদে। অসুম্নসু হায়রি জিব খুদিংদা instinct for survival হায়বসি য়াওরি। Instinct হায়বা অসিদি ৱাখল গী পোত্থোক নত্তে, ৱাখল খন্দ্রিঙৈগী মমাংদা থবক তৌহনবনি। সেভেজ অমসুং বারবেরিয়ন্ন শিংগী ফিলিংস শিংদি অয়াম্বা মতমদা instinct for survival হায়বা অসিনা ইথিল পীবনি।

মীওইবদা হ্যুমেন ইস্নে অসি করম হায়না য়াবা হৌগৎলকপগে হায়বগী মরমদদি ওজা রাথোগী লাইরিক অসিদা য়াওবা থেংনদে। অমরোমদা অসুম্নসু হায়বা য়াই মদুদি হ্যুমেন ইস্নে য়াওবগী চাং অসিনা মীওইবশিংবু সেভেজ বাররেরিয়ন্ন অমসুং সিভিলাইজ মেন হায়না খাইদোকই। হায়রিবা কাঙলুপ খুদিংমক্তসু গ্রেড লৈরিবনি, অনেম অৱাং হায়দুনা। মীওইবা হায়বসি মীওইবা সমাজগী পোত্থোক্লি। সমাজ লৈরমদ্রবদি মীওইবসু শা- ঙাগুম লৈরমগনি। মীওইবা হায়বসি লিভিং ওর্গেনিজম অমনি। মহাক্না শেমলিবা সমাজ অসিসু লিভিং ওর্গেনিজম অমনি। মরম অদুনা অনিমক্তা dialectics কি লো অহুম্মক পানবা য়াগনি। অদুগা অনিমক অসি ফেনোমেনন ঙাক্তনি। অনিমক্তা কন্ট্রাডিক্টরি ফোর্সেস য়াওগনি। মরমসিনা ওজা রাথোনা পামজবা মীওইবদু ঐখোয়গী সমাজসিদা উবা ফংলক্তবগী অশাউবা লাকপনি। নুংশি চম্নবগী থৌওংশিং লাক্তবগী মৈচাক ফংলকপনি। কন্ট্রাডিক্টরি ফোর্সেস লৈত্রবদি ফেনোমেনন ওইবা তোক্লগনি। মীওইবসু লৈররোই, সমাজসু মাঙলগনি।

অইবা রাথো গী ৱার্ল্ড আওট লুক অসি ক্রিয়েসন থিওরি দা য়ুম্ফম ওই। অইবনা মীওইবগী থাক অহুমগী মরমদা নৈনবগী ৱাফম লাইরিকসিদা পল্লমদে। মীওইবসু জিব অমনিনা মাঙোন্দা instinct for survival য়াওরি। মসিমক্না মীওইবা অমবু শাথিনা তুক্কচরবা জিব অমা ওইহল্লি। রাথো না ইন্দিভিদ্যুল অমসুং সোসাইটি গী মরক্তা লৈরিবা নীংতম্বগী মরমদসু পল্লি। মহাক্না মীওইবা, পুম, সমাজ অমদি পুক্লিংগী মরমদসু ইরি। রাথো, সাহিত্যকার অমা ওইবনা ৱারী লীবা হে। মাগী পুম খোঙচৎকি থৌদোক কয়া নিংশিংনদুনা ইবা লাইরিক অনিমক stream of conciousness তা শাগৎলি। মনিপুর সাহিত্য লৈকোলদদি অসিগুম্বা মখলগী লাইরিক অসিদি তাঙনা থোকলি। অচুম্বা পাম্বা মীশক্কি হায়দুনা অচুম্বা হায়বা নৎত্রগা পনবা হায়বদুমদি ওজা রাথোনা খঙদবগুম তৌরি। অদুবু অকিবা য়াওদনা থৌনা ফনা ইরিবসিমদি মালেমদা তাঙনা থোকপনা থাগৎতবা ঙমদে।

রাথোনা থবক তৌবদা, মাইপাকপগী মরমদসু ইরি। অদুবু chance and necessity গী মরমদা ফোংদোকপদি থেংনদে। ‘ঐখোয় পুম্নমক্না মাইপাক্লবগী অরোনবা শোঁজে অমা দরকার লৈ’ হায়রি অদুবু ঐগী ৱাখলদি অসিগুম্বা শোঁজে অমা লৈতে হায়বসিনি। অইবা রাথোগী লাইরিক অসি মরু ওইনা human psychology গী মরমদা ইবনি। Psychology হায়বা অসি মখল অনি শুই হায়না খল্লি। অমনা Individual psychology অদুগা অনিশুবদুনা Social psychology নি। মহাক্কিসি Individual psychology রোমদা হ্লো লুম্না ইরি। ঐ ইশা ফত্তনা সমাজ ফবা য়ারোই হায়বসি অইবগী অকনবা মীৎয়েংনি। অদুগা ময়ামগীনা লৈকায়, সমাজ ফত্ত্রবদি ঐ ইশা ফবা য়াদে হায়বসিনি। লাইরবনা সমাজ অমদা অফবা তৌরক্তে হায়দুনা লাইরববু চৈশিনবসু থেংনৈ। অফবা অমদি ফত্তবা হায়দুনা লৈরিবা মীওইবদা ঐখোয়না সোসিয়েলিষ্ট সোসাইটি গী মঙসিমসু মঙফাওনবগী ৱাফমদু থল্লমদে। অইবনা সাইন্টিফিক মীওইবগী য়েক্লবা অমা ওইনা লৈরিবসিমদি ঐখোয়না ল্মা শিজিন্নবদগী ওইবনি। অইবগী পুম্নদা অহোংবা নাইবা সংসার অসিনা পীরকপা ইৱাই- ইথিলশিংবু খঙনবা হোৎনবদা খনফম খঙদনা ৱারি।

মহাক্কি লাইরিক্কি লোইশিল্লকপদা ধর্ম্মগী মরমদসু ইরি। ধর্ম্ম অমদা লাইমিং লৌদুনা ধর্ম্ম চৎপদগীদি, থম্মোয়দা, নুঙদা ধর্ম্ম য়োকখত্তুনা মালেম সংসারবু নুংশিবনা অথোইবা ধর্ম্মনি হায়বসি রাথোগী পাউজেল ওইরি। ধর্ম্মদা লাইনিং ওইরিবসিংনা লানগী য়ুম্ফম থোল্লিবসি অইবনা ধর্ম্ম মশক খঙদ্রবা মীওইবনি হায়না পল্লি। রাথোগী ‘মীওইবা’ হায়বা লাইরিকসি পারুবদা লেপ্পীংদবা অমা ওইরবনা মখা তানা লেপ্তুনসু লাইরিক কয়া ইবিরকউ। অইববু তাইবং মপুনা থৌজানবিবা ওইরসনু।

# ঙমখৈ মোরে

নমফালোং ম্যানমার লৈপাক মনুং চ্না লৈবা কৈথেল অমনি। লৈপাক অসিদা শাবা অমদি অত্মো মপাল লমদগী পুশিল্লকপা মীওইবনা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা মখল মখা কয়াগী পোৎ-চৈ অচা অথকশিং কৈথেল অসিদা মরাং কায়না থেন্দুনা য়োল্লি। হায়রিবা মফম ইন্দিয়া গী গেট নম্বর ২ হেক লান্থোকপগা অদুমক লৈরে। কৈথেল মফম অসিগী মখা মাইকৈ পাংবরোমদা ইন্দিয়া গী গেট নম্বর ২ গা হেক থংননা চৎপা চাওরাক্লা কি:মি: অমা মখায়রোম ওইগদবা লম্বী অমদা গেট নম্বর ১গা শম্নহল্লি। অমরোমদা লম্বী অসিদগী নোংপোক পাংবরোমদা হায়বদি ম্যানমার লৈপাক মনুংলোমদা লম্বী অমা খম্বাংননা গেট নম্বর ১ ফাওনা চঙলম্লগা টুম্মু মাইকৈ পাংনা চৎখি। নোংচুপ নোংপোক অনিসিগী খম্বাংননা লৈরিবা লম্বী অনিসিগী লাপ্পবসি চাওরাক্লা কি:মি: অমগী শরুক মরি থোকপগী অমদি ওইবা য়াই। লমহাং ওইবা লম্বী অসিগী মরক্তা হৌবা উজাওসিং মোংশোংনা মরক থৎপনা মরম ওইদুনা ম্যানমার রোমদা লৈবা লম্বী ইন্দিয়া গী মাইকৈরোম থংবদা লৈবা লম্বীদগী লেপ্লগা য়েংবদা লিশাং শিৎনা উবা ফংদে। লৈপাক অনিগী খুঞ্জাশিংনা ফাওদোক ফাওজিন তৌবা লম্বী মফম অহুমনা ম্যানমার আর্মিনা য়ুমগী মওং মানবা বেরেক অমমম শাদুনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবশিংবু য়েংশিনবগী মওং মতৌ ম্না লৈবা উই।

মালেম্না খঙনরবা চাওখ্রবা দিমোক্রেসী চৎপা লৈপাক ইন্দিয়াগী সিটিজেন অমা ওইনা অমদি মসিগী ও- তৈনবদা ৱায়েল চুপ্পি পায়রিবা মিলিট্রিরিনা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরিবা অসিগুম্বা লৈপাক অনিগী তাইনবা ঙমখৈদা লেপ্লুবা নুমিৎ অদুগী ঙসি কৌবা নুমিৎতা থম্মোয়দা য়াওখিবা চিংনবা অকিবা তাইবংগী পুম্নিা হিংলিমখৈ কাওবা ঙম্লরোইদবা মিৎকুপ ওইহৌরগনি। মসি খ্বাইদগী অঙকপা মরম ওইদুনা মীওইবনা থাজরিবা ৱাংউরোল অমদি চৎন কাংলোনগী ৱাংমদা য়ুমল্মেবদা লৈরিবা লৈপাক ঙমখৈ মনুংদা খোঙকাপ অমত্তং ওইরবসু থাংজিল্লুনবা হোৎনরুবা থম্মোয়না ময়াখিদে। ঙমখৈগী ৱাংমদা খোঙকাপ অমত্তা চৎলু য়াদ্রবা খোঙনা লেপ্তূনা ঙমখৈগী শক্তম্বু য়েংলি। নোংপোক মাইকৈ অচৌবা লম্বীরোমগী নোংচুপ লম্বী মোংশোং মরক্কী লম্বীদা 100 CC, 120 CC,150 CC গী চাকা অনি পানবা বাইক তোংদুনা ইন্দিয়া গী মনুংচনবা মোরেহদা লৈবা কৈথেল তম্না চৎখ্রে। Pedal cycle অমদি খোঙনা চঙলকপা কয়াশুনি। মখোয়গী থম্মোয়দদি লৈপাক অমগী মখৈ লানশিন্দুনা চঙবনি করিগী ঙম্লোই ৱাখল্লোন্দা থম্মোয়দা ফাওরকপা থৌনা অদুনা লমজিং ওইরগা ঙমখৈগী ৱাংম নোংপোক পাংনা খোঙকাপ খরা থাংজিল্লুবা চিংনবা অকিবা থুমহৎখিবা হেনমনখিবনা লম্বীগী তঙ্খায় ফাওবা য়ৌশিল্লুবা ঙমদনা নোংচুপ মাইকৈ পাংনা নীংবা কাইনা অদুমক হল্লক্লে। মসি করিগীনো? উচিনা তাইবংদা হেক ফাওরকপদগী মহাকপু শেন্বীরিবা ওইহনবীরিবা মপুনা হৌদোংনা ফাদুনা শারাক তমগনি চাগনি হায়বসি উচি মাগী থম্মোয়দা ফাওহল্লি।

পাবীরিবশিংনসু হ্নো খঙবীরে। ফনা ক্না হোৎনরবসু হৌদোঙবু কিমনবদগী মীওইবগী য়ুম কাগী ময়ায় ফাওনা লান্থোকপা ঙমদনা উচিনা পুম লোমখি। খ্নেবদা থক খা মখা অৱাং নোংপোক নোংচুপ ওইরিবা লৈপাক ৱায়েলবু শীংনদুনা লৈপাক অনি অসিগী ঙমখৈগী ৱাংমদা লানশ্নিবা হোৎনরুবা খুদিং বোড়া উচিগী পুম পাংখক ওইরুবনা ঙমখৈগী মনুং চনবা মফমদা হৌবা উখোং য়াওদনা লৈপাক অনিগী ঙমখৈগী ৱাংমদা খোঙকাপ অমফাওবা থাংজিল্লুবা ঙমখিদবা তশেংনা কল্লকই। নোংপোক মায়কৈ পাংনা ওম্না ফম্বদা উরিবা ঙমখৈ ৱাংমগী লৈপাক মতম অমদা পোক্লফম লমদম ইমা লৈপাক তম্পাক ওইরম্বনি। মতমগী য়াওন্দা লাইনিং লানবা লাইশোন শোইবদগী মীতোপ লুচিংবা অমনা মাঙদা উরিবা ইমা লৈপাক্কী শরুক ওইরম্বসি য়ুমল্মেবা লৈপাক্তা শ্নীথোকখিবা ঐখোয়না করিসু নাচুংহৌদ্রে,নাচুংদ্রি। ঐখোয়গী ইমা লৈপাক তম্পাক মীগী মমা লৈপাক তম্পাক ওইখ্রে। নোংচুপ লোমদগী ৱাংনা পাইবা উচেক্লা ইন্দিয়া গী ঙমখৈ ল্মা নোংপোক তম্না ম্যানমার লৈপাক তমখ্রবা মিৎয়েংগী ৱাংমদা উখিদ্রে। মতৌ অসুম্না ম্যানমার ঙমখৈ ৱাংমদগী ইন্দিয়া তম্না পাইখ্রি। মখৈ মনুংদা হৌবা তলা পামেল ফৈরাথক্তগী তোংলম্বা চোঙা উচেক্লা কনাগী অয়াম্বা য়ুমল্মেবা লৈপাক খুঙ্গং তম্না পাইখ্রি। অৱাবা উরগা নুঙাইবা ঙমদবগী মমাংদা অঙম্বনা হরাওবা মীওইবগী লোনচৎ উচেক মাগী থম্মোয়দসু ফাওমালে। মখৈগী ৱাংমদা ইমা লৈপাক্কী শরুক মাংখ্রবা অদুবু পুক্লিং নুংশিনা য়েংলিঙৈ চৈরক্তা ঙমখৈ ল্মা পাইখৎ পাইথা তৌরম্লগা য়ুমল্মেবা লৈপাক্তা তাম্না হৌবা ৱাতোন্দা তোংলুরি। লেপ অমুক ৱাংবা শারেপ ফারবা ফাদ্রিবা উপাল মোংশোং মরক্তা খোইনিং মানবী উচেক্লা উশা অমদগী অমদা তোংদুনা মচিঙ্গাক থিবা ঙমখৈ ৱাংমদগী য়ুমল্মেবা, লৈপাক্তা পাইশিনখ্রে। মতৌ অসুম্না য়ুমদা য়োকপা তাউবা হূইনা সোমগী মায়কৈদগী অসোমগী মাইকৈরোমদা মচিঙ্গাক থিবা কোইচৎ চৎলি। অশংবা নাপী উনা থীদুনা চাক্তাবা হামেংশিংনা লৈপাক অনিগী অমনা অমদা হেঞ্জিবা য়াদবা ৱাফমবু থওইনা মনিং মখা তম্না কোইচৎ চৎলি।

অসুম্না সোমদা শীৎলম্বা মালংবা নুংশিৎনা চিংনবা লৈতনা মখৈ ৱাংমা হুমখিদুনা ম্যানমার রোমদা শীৎলুরি। ঙমখৈ ৱাংমদগী হুমখিবা নুংশিৎনা অসোমদা হৌবা তলা পামেল উনাদা য়ৈবদা চিংনদনা লৈনা জগোয় শাজরি। লৈপাক অনিগীনি খ্নেবা লৈতবা মালংবনা য়ৈবদা উনানা অতিয়াদা পাইখ্রি পাইশিল্লকলি। তাইবংগী লেংলিবা চৎলিবা খুদিংদা মহৌশা লাইরেম্বী খুৎশেম মালেম ইমাগী তম্পাক্তা মফম মতমগী খ্নেবা লৈতনা পরিং চৎলি অমদি য়ৌনিংবা মফমদা য়ৌরি। মসিবু মনিং মখা তম্বা কৌরোইদ্রা? অদুবু তাইবংলক্তগী খ্বাইদগী অথোয়বা অহেনবা ওইরিবা মীওইবা কৌবগী মনুং চল্লুবনা কনাগুম্বদি ঙমখৈ ৱাংমগী লৈপাক্কী নুংশিরবা শক্তম্বু হ্না হ্না য়েংনা নীংবা কাইনা হল্লকখি।

অহন্থেম ইরাবোত মীতৈ
খুরাই থোইদিংজম লৈকাই।